# মথুরাগী হিংশাদা ২৪ শীরে, মীওই ৩২০ ফাগৎখ্রে



উট্টরপ্রদেশকী মথুরাদা পুলিসনা ইভিক্সন চথবদা হিংশা থোকপদগী মাং তাকখ্রবশিং

*মথুরা, জুন ৩ঃ*

মথুরাদা পুলিস অমসুং সেক্টকী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা এস পি অমা অমসুং ষ্টেসন হাওস ওফিসার য়াওনা মীওই ২৪ শীরে। থৌদোক অদু লৈঙাক্কী লম খোপচিল্লকই হায়বগী মতাংদা উংখৎনরকপদগী থোকখিবনি।

লমদম অদুদা হৌজিকসু চাওনা উংখৎনবা লৈরি। পুলিসনা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলায় কয়া ফাগৎলে। লোয়ননা মীওই ৩২০সু ফারে হায়রি।

উট্টরপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদবনা মথুরাগী জৱাহর বাগতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা মরী লৈনবা দি সিদা য়াথং পীখ্রে। হৌখিবা চহী অনীদগী লৈঙাক্কী লম একর ২৬০ খোপচিন্দুনা কেম্প কয়া শাগৎলকপা হৌরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সেন্টরনা য়ু পি গভর্নমেন্টতা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদবতা থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগীদমক পাংবা য়াবা মতেং ষ্টেট লৈঙাক্না পাংননবা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জবেট অহম্মেদনা ফোঙদোকখিবদা লম খোপচিল্লকপা মীওইশিংনা পুলিসতা নুং লংশিন্দুনা এটেক চথরকপদগী পুলিসনা লাথি চার্জ তৌবগা লোয়ননা নোংমৈ কাপখি। পুলিসনা লম খোপচিন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংগী লৈফমশিং অদু তকখায়নবা থবক পায়খৎপদা হিংশাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা সিটি সুপরিন্টটেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুদি মুকুল দ্বাইবেদিনি। অদুগা ষ্টেসন হাউস ওফিসার অদুনা সান্তোস যাদব কৌবা মীওই অমনি হায়রি।

পুলিসকী কাংবু অদুনা ওইরিবা ফিভম অদু খঙবগা লোয়ননা মফম অদুদা থোমজিল্লক্লিবা মীয়াম অদু তানখায়নবা থবক পায়খৎখি। খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীওইশিং অদুনা লমদম অদুদা লৈরম্বা গ্যাস সিলিন্দরশিং মৈ থাদুনা পোকখায়হল্লকখি। লোয়ননা মফম কয়াদা পোকখায়বগী থৌদোক থোক্লি।

হিংশাগী থৌদোক অদুদা খোঙজং চংশিল্লকপা মীওই ২২ হাৎখি। মখোয়গী মনুংদা ১১দি পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা নুপী অমা য়াওখি।

লমদম অদুদা আইন ঙাক্লবা হোৎনবদা পুলিস ওফিসার অনীগী পুন্সি কখোকখি হায়না ষ্টেট অদুগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওফিসারশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়রি।

হৌজিক পুলিস পার্সোনেল ২৩ লায়কন্নরি। মখোয় অয়াম্বা নোংম্নো পানবদগী শোকখিবনি। মফম অদুদগী পুলিসনা নোংমৈ ৪৭, রাইফল ৬ অমসুং হেন গ্রেনেট ১৭৮ ফাগৎলে হায়রি।

পুলিসতা শীংনরকপা অমদি থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীরকপনি হায়বা মীওই ১২৪ ফারে। অদুগা ক্রিমিনেল পেনাল কোদকী সেক্সন ১৫১গী মখাদা নুপী ১১৫ য়াওনা মীওই ১৯৬সু ফারে হায়রি।

# লিবিয়া সমুদ্র খোঙবান্দগী মাইগ্রেন্টশিংগী অশিবা হকচাং ১০৪ ফংলে



লিবিয়া সমুদ্র খোঙবান্দা মাইগ্রেন্টশিংগী হি লাকশিনখিবা

*ত্রিপোলি, জুন ৩ঃ*

লিবিয়াগী নোংচুপ থংবা জ্বরা সহর মনাক্কী সমুদ্র খোঙবান্দগী মাইগ্রেন্টশিংগী অশিবা হকচাং ১০৪ ফংলে হায়না লিবিয়া নেভিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা অশিবা মশিং হেনগৎলকখিবা য়াই হায়রি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা ফংখিবা অশিবা হকচাং ১০৪ শুখ্রে। সমুদ্রগী লমদম অদুদা পেসেঞ্জর ১২৫ পুদুনা লাকপা হি অমা লুপখি। হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা হকচাং ১০৪নি। অশিবা মশিং শোইদনা হেনগৎলকখিগনি হায়না লিবিয়া নেভিগী ৱাঙাং লোই কোলোনেল অয়ুফ কাসেননা ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১১দগী লিবিয়াদা হুরানপোৎ লল্লোনবা কয়ানা চরাংনবা কয়া থোকহল্লকখি। মেদিটেরেনিয়ান সমুদ্র লান্না চংশিল্লকখিবা মাইগ্রেন্ট কয়া অশিঅনা নংলি। হুরান লাল্লদা থবক তৌবশিংনা মাইগ্রেন্ট কয়া অপীকপা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হিশিংদা কিলোমিটর ৩০০ শাংবা ঈশিং লম্বীদা মীওই কয়া লিভিয়াগী সমুদ্র খোঙবান্দা পুশিল্লক্লি।

মাইগ্রেন্ট কয়া চহী খুদিংগী ঙমখৈ লান্না চংশিল্লক্লি হায়খি। কাসেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সমুদ্রগী লম্বীদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা মাইগ্রেন্টশিং অদু সৱাথা অমসুং জ্বরা অনীদগী খোঙশানল্লকখিবশিংনি।

হৌজিক ফাওবদা ফংলবা অশিবা হকচাংশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থা ফাওবদা মেদিটেরেনিয়ান সমুদ্র লান্না মাইগ্রেন্ট ২০৪,০০০ চংশিল্লকখি হায়না য়ুনাইদেট নেসন্স রিফ্যুজিনা ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিদা সমুদ্র লান্না য়ুরোপতা চংশিন্নবা হোৎনবদা মীওই ২৫০০ শীখ্রে। য়ুরোপতা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা মাইগ্রেন্ট কয়া থোমজিল্লকপগী শাখিবা ফিভম অমা মায়োক্লরি হায়রি।

# আর্মী কনভোইদা এটেক চথবদা ২ শীরে

*অনন্টনাগ, জুন ৩ঃ*

জম্মু অমসং কাস্মিরগী অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টতা লান্মীগী কনভোই অমদা টেরোরিষ্টশিংনা এম্বুস তৌরকপদা বোদর সিক্যুরিটি ফোর্সকী লান্মী অনী শীরে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা লান্মীশিংগী মনুংদা অনীদি ফিভম লুরি হায়রি।

জম্মু- শ্রীনগর ষ্টেট হায়ৱেদা লৈবা বেজ বেহরা সহর মনাক্তা টেরোরিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী খূৎ হন্দুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখি। লান্মীগী কনভোই অদুদা এটেক চথরম্বা টেরোরিষ্ট ৩ শীরম্বা য়াই। অদুগা হিংহৌবা টেরোরিষ্টিশিংনা লান্বী অদুদা লাকপা মারুটি কার অমা হায়জেক্ট তৌদুনা মফম অদুদগী নাম্থোকখি হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদুগী অকোয়বদা কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে। ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না টেরোরিষ্টশিং অদুনা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদা চংশিন্দুনা লৈখ্রে হায়রি।

# আই টি আইগী ক্লাস ৮কা জেনরেলগী ক্লাস ১০গা মান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ঃ*

ইন্দষ্ট্রিয়েল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই)গী ক্লাস ৮ কোর্স পাস তৌরবশিং জেনরেল ওইনা ক্লাস ১০ পাস তৌরবগা মান্নগনি। মহৈরোইশিং অদুনা মখা তানা অদুগুম্বা সার্টিফিকেট অদু শীজিন্নদুনা তমথবা য়াহল্লগনি হায়রি।

ৱারেপ অদু নেসনেল স্কিল কাউন্সিলগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ ফরনাভিস য়াওনা পাঙথোকখিবা অহানবা মীফম অমনা লৌখিবনি। মদুগা মান্ননা আই টি আইগী ক্লাস ১০ পাস তৌরবশিং ক্লাস ১২ পাস তৌরবশিংগা চপ মান্নগনি হায়রি।

দেবেন্দ্র ফরনাভিসনা ফোঙদোকখিবদা স্কিল দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুসন হেন্না ফগৎলক্লি। য়ুনিভসিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সি)গী গাইট লাইনগী মতুং ইন্না হায়রিবা থৌশিল অদু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ট্রেন তৌরবা মীওইশিং মুদ্র য়োজনা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লমদা শেম্ছং ফংবদা লাইনা থোকহনগনি হায়রি।

# মালেমগী ওইবা মকোক থোংবা লুচিংবা ১০গী মনুংদা মোদিসু অমনি

*হায়দ্রবাদ, জুন ৩ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাক্তা চৎপগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা হন্থবা থাক্তা মরাল শীরক্লিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মামেলগী মকোক থোংবা লুচিংবা ১০গী মনুংদা অমনি।

মহাক্কী ৱাফম মালেমগী লৈবাক কয়ানা তারি। হৌজিক লৈবাক অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা ইকায় খুম্নরিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা চৎপা লৈবাকশিংদা রেদ কারপেটকা লোয়ননা লুচিংবা অদুবু ওক্লিবনি।

মালেমগী মকোক থোংবা লুচিংবা ১০গী মনুংদা মহাকসু অমনি। মদুতা নত্তনা মহাক লুচিংবশিংগী মরক্তা মকোক থোংবা অমা ওইনা চঙশিল্লক্লিবনি। মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীপুম খুদিংমক্না থাগৎপা ফোঙদোক্লিবনি হায়না ভেঙ্কয়া নাইদুনা মখা তানা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং টেরোরিজমগী মতাংদা মোদিগী ৱাফম মালেমগী লৈবাকশিংনা তারি। ব্রিক্স বেঙ্ককী চিয়ারমেন ওইরকখ্রবা মতুং মালেমগী ওইনা যোগাবু মালেমদা হেন্না খঙহনবগা লোয়ননা ইন্টর্নেসনেল যোগা দে পাঙথোকপদা য়ুনাইদেট নেসন্সগী লৈবাক ১৯৬না অয়াবা পীরিবনি। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টরনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎপদা ওপোজিসন পার্টিনা হন্থবা থাক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরি হায়খি।

# অসাম-বাংলাদেশ ঙমখৈ সিল্ড তৌননবা রাজনাথ সিংহনা য়াথং পীখ্রে



য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ঃ*

রিভ্যু মিটিং শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্লবা মতুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অসামগী বাংলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ পরিং সিল্ড তৌননবা খঙহনখ্রে।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা ইন্টর্নেসনেল বোদরদা চহী ২ ফাওবগী মনুংদা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপা থিংগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মতুং ইন্না ইন্দো-বঙ্গলাদেশ ঙমখৈ পরিংগী কিলোমিটর ২২৩.৭ শাংবা মফমশিং শম্বল খাবগী থবক চথরি। অসামগী বঙ্গলাদেশকা কিলোমিটর কয়া তায়নদুনা লৈরি।

হকথেংননা ঙমখৈ পরিং অদুদা শম্বল খাননবা থবক পায়খৎলি। মফম ২২ কোনশিনবগা লোয়ননা তুরেল খোঙবানগী কিলোমিটর ৪.৪৮ শাংবা মফমশিং শম্বল খাননবা থবকসু পায়খৎলি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা কিলোমিটর ৪,৩৭৪ শাংবা মফম শম্বল খাবা লোইশিনখ্রে। ঙমখৈদা লৈবা কিলোমিটর ৫,৩২৯ শাংবা লম্বীশিংদসু বোদর আউট পোষ্ট ২৪২০ শেমগৎনবা থৌশিলসু পায়খৎলি।

হৌখিবা চহী ২দা থোকখিবা খুদোংচাদবা থৌদোকশিংদা ঙমখৈ পরিংগী ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎপদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি। ঙমখৈ পরিংগী ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎপগী থবক পুম্নমক মথংগী চহী ৩ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়রি।

ঙমখৈ পরিংদা লৈবা সেন্সিটিব ওইবা মফমশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা টেক্নিকেল ওইবা থৌশিলশিংসু পায়খৎনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি। ঙমখৈ পরিং অদুদা মতমগা চুন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিং মরু ওইনা হায় রিজোলুসন কেমেরা, রাদর, গ্রাউন্ট সেন্সর, ইনফ্রারেদ সেন্সর, ওপটিকেল ফাইবর, এরোষ্টেট, কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল আর্কিটেকচরগা মরী লৈনবা হেন্দ-হেল্থ থর্মেল ইম্মেজরশিংসু থম্নবা থবক পায়খৎকনি হায়রি।

বাংলদেশকা তায়নবা অসামগা থংনবা শাংলবা ঙমখৈ পরিংশিং আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং লাকশিন্নবা শম্বল খাননবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি হায়রি।

# সিরিয়াদা মীচম ১০ শীরে

*এলেপ্পো, জুন ৩ঃ*

লাল থোক্লিবা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা মীচমশিংনা তোংবা বস অমদা নোংথক্তগী লান্দারকপদা মীওই ১০ শীরে। এলেপ্পা মনাক্তা মীচমশিং পুবা বস অদুদা এটেক চথরকপদগী মীওই ১০ শীহনখি। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখি হায়না সিভিল দিফেন্সনা ফোঙদোরক্লি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরকখিবদা মীচমশিংনা তোংবা বস অদুদা এটেক চথরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শীহনখ্রে। অশিবা মশিং হেনগৎলকখিবা য়াই। কাষ্টেলো লম্বীদা চৎলিবা মীচম পুবা বস অদুদা লিভিয়া লৈঙাক্না নোংথক্তগী লান্দারকখিবনি। হায়রিবা লম্বী অদু রিবেলশিংগী পোৎলম কয়া পুথোক পুশিন তৌবা লম্বী হায়রি।

# বস-ত্রক থেংজিন্নবদা ১০ শীরে, ১৮ শোক্লে

*থাকা, জুন ৩ঃ*

বঙ্গলাদেশতা বস অমগা পোৎ পুবা ত্রক অমগা থেংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীচম ১০ শীরে। অদুগা ১৮না অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি অয়ুক বোগ্রা দিষ্ট্রিক্টকী সেরপুরগী মনুং চনবা ধনকুন্দুদা লৈবা হোটেল অমগী মমাঙদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না সেরপুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সি খান ইরফাননা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লম্বী অদুদা গারী চখোক চৎশিন তৌবদা চাওনা অকায়বা থোকহনখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু অনকপা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto ...... 16/05/2016
Stk................................306
Timing........7.00 to 11.00 am

**R&H INDANE**
Booking upto ...... 29/05/2016
Valid from ........... 24/05/2016
Stk.....................612 (DBTL)
Timing........8.00 to 11.00 am
SUBMIT AADHAAR CARD

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto Date
Stk......................612(DBTL)
Timing........8.00 to 11.00 am
FIRST COME FIRST SERVICE

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto ...... 13/05/2016
Valid from ........... 11/05/2016
Stk................................306
Timing........8.00 to 10.00 am
SUBMIT AADHAAR CARD

**MAIBIA**
Booking upto Date
Stk.....................339 (DBTL)
Timing........7.00 to 11.00 am

**IMPHAL GAS**
Booking upto Date
Stk................................306
19 kg ............................100
FIRST COME FIRST SERVE
Khudakta Book Touraga
Louba Yagani

**GBD INDANE SERVICE, LAMLONG**
Booking upto ...... 13/05/2016
Valid from ........... 14/04/2016
Stk......................612(DBTL)
Timing........7.00 to 11.00 am

**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG**
Booking upto ...... 04/04/2016
Valid from ........... 31/03/2016
Stk.....................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.30 am
Sl. No. 997 to 1200
and 3061 to 3750

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-608**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 4 | 5 | | | 8 | |
| | | 9 | | 6 | | | 4 | 3 |
| 7 | | | | | | | | 1 |
| 5 | | | | | | 3 | | |
| 1 | | 7 | 8 | | 9 | 6 | | |
| | 8 | | | | 2 | | | |
| 3 | 7 | | 1 | | | | 5 | 6 |
| | | | | 2 | 8 | 4 | | 9 |
| 4 | | 8 | | | 5 | 1 | | 2 |

*সনা-সুদোকু- ৬০৭ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 8 | 3 |
| 3 | 6 | 4 | 9 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 5 | 1 | 6 | 9 | 4 |
| 1 | 2 | 3 | 5 | 7 | 8 | 4 | 6 | 9 |
| 4 | 5 | 8 | 1 | 9 | 6 | 3 | 7 | 2 |
| 9 | 7 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 | 1 | 8 |
| 6 | 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 9 | 2 | 5 |
| 2 | 1 | 9 | 7 | 4 | 5 | 8 | 3 | 6 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 6 | 9 | 1 | 4 | 7 |

On-The-Spot Admission
16 May 2016
Empanelled with Govt. of Manipur
www.quantum.edu.in
Quantum GLOBAL CAMPUS
ROORKEE, UTTARAKHAND
ADMISSIONS
08974120992
07060403256
MBA | BBA
B.Sc. (Agri) | B.Com (Fin)
BJMC
B.Tech CS, IT, ME, Mechatronics, EC, EE, Civil, Petroleum
Polytechnic ME, Automobile, EE., CS, Civil Engg.
Time to APPLAUD great achievement
A record package of Rs. 12 Lakh
Imphal Office: Carrer Info Solution
New Checkon Road, Above Cafe Max Restaurant , Imphal East, Manipur
Thoubal : Babu Bazar, Mob: 8575123352

SPOT ADMISSION
FOR
Top Colleges in India for the following courses :
Assistance in Education Loan
Drop up facility upto College Hostel
❖ MBBS ❖ B. PHARM ❖ BSc. Nursing ❖ BHMS ❖ B.P.T. ❖ GNM ❖ BDS ❖ BAMS ❖ B. Tech
❖ Robotics ❖ Civil, Mech. ❖ CS ❖ EEE ❖ ECE ❖ IT ❖ Petroleam ❖ NANO ❖ BHM
❖ BBA ❖ MBA ❖ BSc. Agri ❖ Forestry ❖ HOTI ❖ BFAD ❖ Food Tech. ❖ BCA ❖ MCA
Avail Limited Scholarship
100% Placement Assistance
For details :-
Career Info Solution
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

FREE EDUCATION
in GERMANY/ITALY/NORWAY/FINDLAND/AUSTRIA
for MBBS >MD >BTech >MTech >IT >Arts >Music >Biotechnology >Fashion Designing >Economy >BBA > MBA > Hospitality>Nursing or any Bachelor, PG or any Phd Research
<No Tuition Fees / No Any Exam GRE/TOEFL>
# 120Hrs x 20• = 2400• x Rs75 = Rs.1,80,000 Part Time Monthly Salary
#Scholarship to all 2000• =~Rs.1,40,000 upto 5000• =~Rs3,50,000 anually
URGENTLY WANTED : Recieptionist or Asst.Manager (BPO or MBA)
UGC,UNUNI Building, Near SBI-ATM, Malom Bazar,
IMF Int.Airport Rd. #Wapp: (+91)9077-786-247 /(+996) 55999-24-24
id: infouneni@mail.ru / www.ununi.net/ugc

STUDY MBBS IN ABROAD
BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES
Plz Contact :
Atawar Rahman A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.
Note :
Available Lone Facility, Term & Condition require
SINCE 2003
No Service Charges, Scholarship Available
Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341

18 YEARS OF EXCELLENCE
IET GROUP OF INSTITUTIONS
ESTD. - 1998
Career Info Solutions, New Chekon, Imphal East
Near ICICI Bank. Ph :- 9089762725



B.Tech | M.Tech | MBA | MCA
B.Pharma | M.Pharma | Ph.D